# থবক খুদিংমক পান্দম থল্লগা চংশিনবা তাইঃ শ্যাম

ইম্ফাল,জুন ৯(এস এন এস)ঃ

কনাগুম্বনা থবক অমা তৌবা মতমদা মায় পাকপা মীওই অমমম ওইগে হায়রবদি পান্দম অমা থল্লগা থবক চংশিনবা চংই হায়না সি এ এফ এন্দ পি দি অমসুং রেভিন্যু মিনিষ্টর কে শ্যামনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি চজীং পুখ্রি অচৌবা মপাল কম্ম্যুনিতি হোলদা ইমপ্লোইদ ৱেলফেয়ার ওর্গনাইজেসন লিলোং চজিংনা শিন্দুনা পাঙথোকপা ১৪রক শুবা এন গনিন্দ্রো মেমোরিয়েল ত্রষ্টনা লাইরিক ফবা মহৈরোইশিং ওকপগী থৌরমদা থৌরম মপুগী ৱারোল পীরদুনা মিনিষ্টর কে শ্যামনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

অফবা মহৈরোই হায়বসি ক্লাস টেন অমসুং টুয়েল্বতা ফবা মহৈরোই অদুখক্ত নত্তে। তুং কোইনা পোলোইদা অফবা মী অমা ওইবদুনি। ঐখোয়না থবক অমা তৌবা মতমদা পান্দম অমগী মখাদা চংশিনবগী তঙাইফদবা লৈ। মতম মতমগী ওইবা লৌশিং অসি তানশিনবগী তঙাইফদবা লৈ।

মতিক চাবা মীওই অমা ওইবা মতমদা লাইশু খঙবা, অফবা ৱাখল্লোন পুথোকপা ঙম্বা মীওই অমা ওইবা তঙাইফদে।

ঙসি লমদম অসিদা মপান লমগী ইথিলনা মরম ওইরগা লমদম অসিগী ফর ফরবা মীওই কয়া মাঙখিবা লৈখ্রে। মখোয়না খাঙুথক্তা পুন্সি মাঙখিবা অদুগীদমক নুংঙাইতবা ফাওই।

নহা ওইরিঙৈ ইনখৎলকপা মতমদা অফবা ৱাখল্লোন লৌবা তঙাইফদে। মণিপুরদা চাউখৎ থৌরাং, খুন্নাই অমা শেমগৎপদা নুপীশিংদা অচৌবা শরুক অমা কন্দুনা লাক্লি। ঙসিগী মনা লৌরিবশিংগী মনুংদসু নুপীনা অয়াম্বা ওইরি হায়খি।

মহাক্লা হায়, নহাশিংবু অচুম্বা লম্বীদা লমজিংবীবা মতমদা মতিক চাবা হিমায় চুম্বা ঙমগদবা মীওই তঙাইফদনা চংগনি। ঐখোয়গী থকশি খাসি অমসুং মোরেলনা ঐখোয়গী শক্তম লেপকদৌরিবনি।

ঐখোয়না লৌশিং তানশিন্নবগীদমক লাইরিক তল্লিবনি। লাইরিক লাইশু হৈরবা মীওই কয়া ইমুং মনুংদা মমা মপাদা ওৎলগা লৈবা, ঙাওচৎনরগা লৈবা মীওই কয়া লৈরি। ঐখোয়দগী অফবা ৱাখল্লোন কয়া মীয়াম্না ফিদম্নফম ওইহনবা তাই হায়খি।

অফবা ৱাখল্লোন খনবা মতমদা মালেমদা ঐখোয়না তৌবা ঙম্লোইদবা করিসু লৈরোই। থবক অমা তৌগে হায়না খল্লকপা মতমদা অফ ফত্ত নিংথিনা য়েংলগা থবক তৌবা তাই হায়খি। অফবা ৱাখল্লোন পীবা ঙম্বা মীওইশিংদগী ঐখোয়না ৱাখল লৌশিং লৌশিনবগী তঙাইফদবা লৈ হায়খি।

থৌরম অদুদা অথোইবা মীথুং ওইখিবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী স্পিকর ৱাই খেমচান্দনা লাইরিক লাইশু হৈরবা নহা কয়াবু থাগৎপা অমসুং পুক্নিং থৌগৎখি।

থৌরম অদুদা এম এল এ এল রামেশ্বরসু ইকাই খুম্নরবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা পুন্না মহৈরোই ১২০দা মনা মথুমশিং পীদুনা পুক্নিং থৌগৎখি।

অমরোমদা ময়াই লাম্বী দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসননা মল্টিপর্পজ ক্লব, হিয়াংথাংগা খুৎশম্নদুনা শিনবা ৫রকশুবা ফেলিসিতেসন কম প্রাইজ দিষ্ট্রিব্যুসনগী থৌরম হিয়াংথাং কাঙজেবুং কম্ম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা হিয়াংথাং লাইরেম্বী দিভলপমেন্ট সেভা কম্মিতিগী হান্নগী চ্যারমেন হিদাম মঙলেম্বনা অথোইবা মীথুং, ময়াই লম্বী দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসনগী প্রসিদেন্ট অমসুং রিটয়ার্ড চীফ ইঞ্জিনিয়ার কাদা দব্লিউ কুমার মৈতৈনা থৌরম মপু, মালদোগী পেত্রোন মেম্বর সলাম নিলমনি সিংহনা ইকাই খুম্নরবা মীথুং ওইখি।

থৌরম অদুদা কম্মিস্নার মাহুদ মোঙজম জয়, কোহসেমগী রিটয়ার্ড চ্যারপার্সন সঞ্জেনবম গীতানচিংবনা ৱা ঙাঙখি।

থৌরম অদুদা ক্লাস টেনগী তোপ্পরশিং,ক্লাস টুয়েল্বকী তোপরশিং অমসুং মকোক থোংলক্লবা মহৈরোই কয়াদা খুদোলপোৎ পীদুনা পুক্নিং থৌগৎখি।

# লৈঙাক্লা কেক্রুপাৎ মীৎয়েং চঙদ্রে ঃ দেবান

ইম্ফাল,জুন ৯(এস এন এস)ঃ

য়নাইটেদ কম্মিটি মণিপুর (য়ু সি এম) অমসুং ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ক্লব ওর্গনাইজেসন (অমুকো) অনীনা পুল্লগা শেম্বা ১৮ দি গ্রেট জুন অপ্রাইজিং, য়ুনিটি দে ২০১৯গী ওর্গনাইজেসন অনী অসিনা পুন্না শীন্দুনা ঙসি জুন ১৮ নীংশিং থৌরমগী মাংওইননা কেক্রুপাৎকী অরোয়বদা শিৎ-শেংবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

কেক্রুপাৎকী অকোয়বা শিৎ শেংখিবা অদুদা শরুক য়াখিবা ওর্গনাইজিং কম্মিটি ফোর ১৮ দি গ্রেট জুন অপ্রাইজিং য়ুনিটি দেগী চিয়রমেন পি ঐচ দেবাননা কংলা ফন্ট বোর্দকী মনুংচন্না লৈরিবা কেক্রুপাৎ অসি ঙসিগী পাল্লিবা লৈঙাক অসি মীৎয়েং অমত্তা চঙবিদনা লৈরি। ১৮ জুন মতমদা মীয়ান্না শিৎ-শেংবা তৌদুনা নুমিৎ অসিগী নিংশিং থৌরম পাঙথোক্লি। লৈঙাক্লা মফম অসিবু কংলাগী মনুং চন্দে হায়বগী মওংদা হুন্দোক্লগা থম্না অসি তৌহন্নিংদে হায়না ফোঙদোকখি।

মহাক্লা মখা তারদুনা হায়খি, কংলাগী মনুংচল্লীবা কেক্রুপাৎ অসিদা লমদম অসিগী অহল ওইরিবশিং ৱাখল পেথোফম ওইবা য়াবা মওংদা শেমগৎহন্নিংই। অদুনা পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা কেক্রুপাৎ অসিবু নিংথিনা শেমগৎ-শাগত্তুনা অহলশিংগী পোথাফম ওইবা য়াবা মফম অমা শেমগৎপীয়ু।

মহাক্লা হায়খি, মণিপুর অসি য়াল্লা ঙল্লিঙৈ মতমদগী লৈরক্লবা লৈপাক অমনি। মপালগী শাফু কয়ানা লমদম অসিগী ঙমখৈ থুগাইনবা হোনরকপগী তাঙ্কক কয়া লৈখ্রে। মসিদা লমদম অসিবু থৱাই কৎখিবা কয়াসু য়াওখ্রে। মসিগী মনুংদা কুমজা ২০০১ গী জুন ১৮ থৌদোক্তা অথৌবা ১৮না থৱায় কৎখিবা অসিসু অমনি। লমদম অসিদা লৈরিবা কাঙলূপ খূদিংমক্লা অমতনি হায়বা ৱাখল্লোনশি চেন্দুনা ইরৈপাক ইরমদম অসি কনবগী ৱাখল্লোন মীপুম খূদিংদা লৈফম থোকই। মসিগী পান্দম অসিদা চহী খূদিংগী জুন ১৮ অসিগী নিংশিং থৌরম চাউনা পাঙথোক্লি।

থৌরম অসি পাঙথোকপদা কনাগুম্বশিংনা শেরান্নবা ৱাখলদা মখোয়গী মায়োক্তনি হায়বা ৱাখল্লোন লৈরবদি ৱাখল অদু থাদোকপীয়ু। ঐখোয় কাঙলপ খুদিংমক্লা অমত্তা ওইনা লেপ্লবা মতমদা মণিপুর অসি কনবা ঙমগদৌরিবনি। লোয়ননা মণিপুর কল্লবা মতমদা ফুরুপ ময়াম অসিসু কনবা ঙমগদৌরিবনি। অদুঙৈ অথৌবশিং অদুনা থৌনা ফানা মণিপুর অসিবু কন্নবা হোৎনখিবা অদুনা ঙসিগী মণিপুর অসি লৈরিবনি। অদুনা অসিগুম্বা য়ান্নমক নিংশিং নিঙাই ওইবা নুমিৎ অসি ঐখোয় খুদিংমক্লা কাওফম থোক্তে। চহী অসিগী ওইনসু পাঙথোক্কদৌরিবা নিংশিং থৌরম অসিদা লমদম অসিগী মীপুম খূদিংমক্লা শরুক য়াবীয়ু হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

শিৎ-শেংখিবা অদুদা শরুক য়াখিবা নুপীনা নুপীগীদমক হায়না মীংথোনবা ৱাটসঅপ গ্রূপকী ভোলুনটিয়র কে এস ঐচ বেবিলিনা হায়খি, তোঙান তোঙানবা শিনফমদা লৈবা নুপী ১০০ রোম হেনবনা পুনশিন্দুনা শেম্বা গ্রুপ অসিনা লমদম অসিগী অপুনবগী শক্তমক ঙানবা হোৎনবদা থৱাইনা পোম্বা ওইখ্রবা অথৌবশিং অসিগী খুভম অসি জুন ১৮ নিংশিং থৌরম অসিগী মাঙওইনা শিৎ-শেংবগী থবক চথজবনি। ১৮ জুন হায়বা থৌদোক অদুমক মণিপুর লৈবা কাঙলূপ খূদিংমক্কী থম্মোয়দা ফাওবা অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন ফাওহনবা থৌদোক্লি। থৌদোক অদুদা থৱায়না পোম্বা ওইখ্রবা অথৌবশিং অদুগী মফমদা ইমা লৈবাক নুংশিবসি ঐখোয়গীসু শরুক য়াওরি হায়বসি উৎপগা লোয়ননা থৌদোক অদুবু নিংশিংবা ওইনা শিৎ-শেংবনি হায়খি।

# অমজুগা হেলিমগী জে এ সিগা য়ান্নবা পুরকখ্রে

ইম্ফাল,জুন ৯(এস এন এস)ঃ

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী হৈঙাং পুলিস ষ্টেসননা কোনবা কাইরং খোমিদোক মমাং লৈকাইদা থা অসিগী ৭কী অয়ুক মীওই অমা লৈখিদবগী ৱাহৌদগী থোকখিবা ইরাংগী পাউ লৌবা চংলুবা ইচেল এক্সপ্রেসকী ক্রাইমগী পাউমী দব্লিউ বিক্রম মীতৈগী কেমেরা মুবদা নত্তনা কাহেনবা থৌওং চথরকখিবা অদুগী মতাংদা জে এ সিগী মীহুৎশিংগা এমজুগা ফম্মিন্নরবা মতুং য়ান্নবা পুরকখ্রে।

ওল মণিপুর ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট(অমজু) অমদি জে এ সি এগেন্টস ব্রুটেল কিল্লিং ওফ এম দি অবদুল হেলিমগী মীহুৎশিংগা মণিপুর প্রেস ক্লবতা লৈবা অমজুগী ওফিসতা ঙসি নুংথিল পুন্না ফম্মিন্নর মতুং থৌওং অদু লানখ্রে হায়বগা লোয়ননা ঙাকপিনবা হায়জরকপদগী য়ান্নবা পুরকখিবনি।

উন্নবা অদুদা পাউমীদা কাহেনবা থৌওং চথরকপা অদুদা চেন্নবা মীওইশিংসু মশক খঙদোক্তুনা অসিগুম্বা থৌওং অসি মতুংদা অমুক হন্না থোক্তনবা পাউতাক পিনবা হোৎনরগে হায়নসু জে এ সিগী মীহুৎশিং অদুনা থাজবা পিরমখি। লোয়ননা নুমীত্তুদা পাউমী বিক্রমনা পায়রকখিবা দি এস এল আর কেমেরা অমবু মুন্দুনা অকায় অতোই থোকহনখিবা অদুসু শেম্বদা চংগদবা শেনফম জে এ সিনা পুথোকপা হায়নসু য়ান্নরে হায়না অমজুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

# সোরাদা ব্রজ তাবদা মীওই ৪ শোক্লে

ইম্ফাল,জুন ৯(এস এন এস)ঃ

ঙসি নুংথিল পুং ১.৪৯ রোম তারকপা মতমদা খঙহৌদনা ব্রজা তারকপদা য়ামদ্রবদা মীওই ৪ অশোক অপন নংহনখ্রে হায়রি। প্রেসনা ফংবা পাউদা, থৌদোক অসি ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী খোঙজোম পুলিস ষ্টেসননা কোনবা সোরা মনিং লৈকাইদা থোক-খবনি। শোক্লবা মীওই ৪ অদুগী মনুংদা নুপামচা অমগী মনঙ্গন্দা শোকখি। অদুগা অহুম অমনা ৱহুখিবনি হায়রি। শোক্লবা মীওইশিং অদু য়ুম থংননা লৈবা মচিন মনাওগী ইমুং মীওই ঙাক্তনি। লৈকাই অসিদা লৈবা এম দি নজির অলি অমদি এম দি বসির রহমন অপোকপা লৈখিদ্রবা এম দি মনসুর অলি হায়রিবা মচিন মনাও অসিগী য়ুমদা ব্রজা তাশিল্লকপদগী অশোক অপন অদু নংখিবনি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

# মেরিটেরিয়স এৱার্দ য়েঙ্থোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ৯ (এস এন এস) ঃ

দ য়ুনাইটেদ ক্লবস আ এম সি ৱার্দ নম্বর ৪, য়ুরিপোকনা শীন্দুনা ৱার্দ অসিগী মনুংদা লৈবা ক্লাস টেন অমদি টুৱেল্ব তা ফার্ষ্ট দিভিজনদা পাস তৌরক্লবা মহৈরোইশিংদা মনা-মথুম য়েঙ্থোকপগী থৌরম অমা ঙসি উরিপোক তৌরাংবম লৈকাইদা লৈবা শ্রীশ্রী রাধা গোভিন্দজী মান্দবতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিদা দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম জয়কুমারনা চীফ গ্বেষ্ট, য়ুনাইটেদ ক্লব আই এম সি ৱার্দ নম্বর ৪ উরিপোক্কী প্রসিদেন্ট খ্বাইরাকপম তরুনকুমারনা প্রসিদেন্ট, এন দুম্ব্রা সিংহ, এল গোরচন্দ্র শর্ম্মা, লাইশ্রম তরুন কুমার, এন শান্ত কুমার, ঐচ প্রিয়োকুমার খুমন, এন বিমোল সিংহ অমদি আই লোকেন্দ্রজিৎ সিংহনা গ্বেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

# কবুইশিংবু ‘ইনপুই’ ওনখ্রে হায়খিববু য়ানীংদবা ফোঙদোক্লি

ইম্ফাল, জুন ৯ ঃ

হৌখিবা ২০১৮ গী ২৯ ওক্টোবর থাদা রাগোংনিং গাংমৈনা রোংমৈ জাতিগী মতাংদা ইদুনা লিগ ওফ দ ফোর্থ ৱার্ল্ড পিপল ওফ কংলৈপাক্তা পীশিনখিবা আর্টিকল অমদি কবুইশিংবু ‘ইনপুই’ ওন্থোকখ্রে হায়না ইখিববু মণিপুর কবুই য়ুনিয়ননা য়ানীংদে হায়না ঙসি প্রেস কনফরেন্স অমদা লূপসিগী সেক্রেটরী, লানবোই কবুইনা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্লা হায়, ২০১৯ গী জুন ৫ দসু কবুইগী অহল-লমন, নহাশিং অমদি নুপী নুপাশিংগা পুন্না মিটিং অমা পাঙথোক্তুনা হায়রিবা অরানবা আর্টিকল অদু ফোঙদনবা আপিল তৌখিবা লৈখ্রে। হায়রিবা আর্টিকল অসিনা কবুইশিংবু লান্না উহনগদৌরে হায়না মহাক্লা হায়রি।

হায়রিবা আর্টিকল অদুদা কবুই হায়বা ৱাহৈ অসি কন্সটিট্যুসন (সেদ্যুল ট্রাইব) ওর্দর এক্ট, ২০১১ (নম্বর ২ ওফ ২০১১) না শেমদোক্তুনা অমদি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা ১৯৫০ দগী হৌনা কবুই ওইনা অদুমক শকখঙনদুনা লাক্লি। অদুগা রোংমৈ জাতিদি ইনপুই হায়রিবা জাতি অসিগা পুনখিবা অসি শুপ্পগী হৌখিবা ২০১২ কী জনুৱারি ৯ দা মিনিষ্ট্রি ওফ লো এন্দ জষ্টিসকী মখাদা পুনখিবদা ঙাইরিবনি। মরম অসিনা কন্সটিট্যুসননা কবুইবু ইনপুই ওন্থোকখ্রে হায়না ইরিবা অরানবা আর্টিকল অসি ফোঙবা য়ারোই হায়না মহাক্লা ফোঙদোকখি। আর্টিকল অদুনা কবুইশিংবু রোংমৈগী মনুং চলহনবা য়ারোই হায়নসু ফোঙদোকখি।

হায়রিবা মহাক্কী আর্টিকল অদুগী মতুং ইন্না “করিগুম্বা নিংথৌ পাখঙবনা ৩৩ এ দিদা পাল্লল্লিবা অদু চুম্লম্লবদি... মণিপুরগী ঈতিহাসতা কবুইশিং অসি রোংমৈ ওইগনি” হায়না ইরি। আর্টিকল অসি অরানবা ওইবনা মণিপুরগী হিষ্টোরি পূম্বা শেমদোক্তুনা কবুই সলাং মাইবা অসিসু রোংমৈ সলাং মাইবা হায়না কৌরকপা য়ারক্লি হায়না মহাক্লা মখা তাখি।

কবুই খক্তদা নত্তনা লৈরিবা মৈতৈ ইচিন-ইনাওশিংদসু চমম্নবা অমা থোকহল্লক্কনি হায়রি।

চহী অসিগী জনুৱারি ২০ দসু আই এস টি ভিগী দিস্কসসন অৱারদা গান-ঙাইগী মতাংদা খন্ন-নৈনখি। মসিদসু জালিয়াংরোং য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট অমু কামৈনসু কবুইশিং অসি ইনপুই অমদি রোংমৈগী মনুংদা চল্লি হায়না ফোঙদোকপা লৈ-খ্র। কবুইশিংনা চহী-চা কয়াদগী চৎনরক্লবা লাইনিং-লাইশোন, হরাউ-কূম্মৈ, ৱারীনচিংবা অমত্তা খঙদনা ঙাংখিবা ৱাঙাংনি। কাঙলূপ মশেল মরক্তা নুংশিনদনবা শিনবনি। অদুগা কবুইশিং অসিবু ইম্ফাল ভেল্লি খক্তা লৈবনি হায়খিববু অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই হায়না মহাক্লা মখা তানা হায়খি।

কবুইশিংগী য়াম্না শেংলবা ৱাকচিং থাগী ১৩ নি পানবা নুমিত্তা পাঙথোকপা গান-ঙাই কূম্মৈ অসিসু অতোপ্পা জাতিগী চৎনবীবু থওই উশিত্তবগুম হৌখিবা চহী অসিগী ফেব্রুৱারী ১৬ তা রোংমৈশিংনা পাঙথোকখি। জাতি অমগী কূম্মৈ অসিবু পাঙথোক্লীংবা মতমদা পাঙথোক্লবদি খৃষ্টমাসসু দিসেম্বর ২৫ গী মতুংদা পাঙথোকপা য়াগদ্রা হায়না মহাক্লা ফোঙদোকখি।

মসিগা লোয়ননা মোইরাংগী ইবুধৌ থাংজিং খুভমদা মণিপুরী ফিল্ম আর্টিষ্টশিংনা কবুইগী জগোয়বু শেমদোক্তুনা শাখিবা অদু লাইবক থিবনি। মতুং তারকপদদি জগোয় অমদি ঈশৈগী ওজা গুরুনা কাঙলূপ অমগী চৎন-পথাপ হান্না নৈনবীয়ু অমদি তানবীয়ু। কবুই জাতিগী ওইনসু জগোয় অসিগী ওজা গুরু থারক্তুনা মতেং পাঙগনি। মসিনা কাঙলূপ অমগা অমগা নুংশিনবসু হেনগৎকনি হায়নসু মহাক্লা হায়খি।

মসিগা লোয়ননা মণিপুর কবুই য়ুনিয়ননা কাঙলূপ অমনা অমবু ব্যাবহার তৌদুনা, কলচরেল আইদেন্টিটি ঙাকপদা মতেং তৌনদুনা মণিপুর অসি শান্তিগী লমদম অমা ওইহল্লগসি হায়না মহাক্লা আপিল তৌরক্লি।

# বিরেন ১সুং বিশ্বজিৎকী ...

*লমায় ১গী মখা* দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ওইহল্লগা হোম অমসুং ফাইনান্সকী পোটফোলিয়ো শিন্নবা অমসুং মিনিষ্টর ১০গী মনুংদা ৮ টি ঐচ বিশ্বজিৎনা নৌনা হাপ্পা অদুগা মিনিষ্টর ২না চীফ মিনিষ্টরনা অপাম্বা খল্লগা হাপ্পা।

অনীশুবদনা, নোংথোংবম বিরেন ফম থাদোকহল্লগা রাজ্য সভাগী মেম্বর ওইহল্লগা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর হাপ্পা।

ওবজবর অসিনা মখা তানা হায়, থৌরাংশিং অসি লৌখৎলকপদা বি জে পি গী লৈঙাক্তা শৌগৎলিবা কোংগ্রেসকী ৭ অমসুং মিনিষ্টর ওইরিবা শ্যামকুমারদা মিনিষ্টর পীরদবা য়াই।

অদুমকপু সেন্টরগী লুচিংবশিংনা করি ৱারেপ লৌরক্কদগে অমসুং কমদৌনা ৱায়েল্লক্কদগে হায়বা অদুমদি চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি।

# লৌরমদায় তেংনা মানবী...

*লমায় ১গী মখা* পীবা ঙমখিরোই, বি জে পিগী ভিজন দোকুমেন্টতা য়াওই হায়দুনা হেক্তা তৌগদবা নত্তে হায়বনচিংবা মেডিয়াগী খূথাংদা ফোঙদোকখিবা লৈখি। মতম অদুদা বি জে পিদগী ৱাফম অমত্তা ফোঙদোকখিদে। খ্বায়দগী নৌবদা হৌখিবা এপ্রিল-মেদা পাঙথোকখিবা ১৭ শুবা লোক সভা ইলেক্সন, ২০১৯ গী কম্মেইন্দা এল জে পি নত্তনা অতৈ লেঙ্গোন্নখিবা পার্টিশিং মানা মানা থোকপা চৎনখি। সিটিজেন্সিপ (এমেন্দমেন্ট) বিলগী মতাংদা খেন্নবা মত পীনখি। লৈঙাক অসিদগী তোকপা তাবনি হায়বা ফাওবা ফোঙদোক্লখি। চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন সিংহনসু লোক সভা ইলেক্সন মতুংদা মণিপুরগী লৈঙাক্তা অহোংবা খরদি লাকপা য়াই হায়খি। অসুম্না ইশু অমা নৎত্রগা অমদা মত মান্নরক্তবদগী ফুনগৎনরকপনা হৌজিক্তি মপান থোরকপনি। লৌরমদায় তেংনা মানবী, খায়নরমদাই য়োংমানবী হায়বদুমক্লি হায়রোইদবগী মরম লৈতে।

অমরোমদা সেন্টরদা এন দি এগী মপাং ওইরি হায়রিবা নেস্নেল পিপলস পার্টি (এন পি পি) হৌজিক্তি নেস্নেল পার্টি ওইনা ইলেক্সন কম্মিসন্না শকখঙখ্রে। পার্টি অসিগী এম এল এ মরিমক হৌজিক এন বিরেননা লুচিংবা লৈঙাক্তা মিনিষ্টর ওইনা চাউনা থৌ পুরি। অফবা লৈঙাক হায়বদু ওইনবা হোৎনবদা মরিমক মিনিষ্টরগী ফম পীথোক্লম্বা ওইরমগনি। হৌজিক লৈরিবা চীফ মিনিষ্টর নত্তনা মিনিষ্টর ১২ গী মনুংদা বি জে পিগী ৫, এন পি পিগী ৪, এন পি এফ অমসুং এল জে পিগী অমমম অমদি কোংগ্রেসতগী চঙখিবা অমা য়াওরি। করিগুম্বা এন পি পিবু চুঙশিন্নবা অসিদগী ইন্থোক্তুনা মিনিষ্টর মরি লৌথোকপা তারবদি দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর য়াওনা ফম মরিদা হাংলগনি। অদুবু করিগুম্বা এন পি পিগী এম এল এ ৪ য়াওনা বি জে পিদা মার্ক তৌরবা নৎত্রগা অনী-অনী মচেৎ তান্নরগা লৈঙাক অসি শৌগৎপা নৎত্রগা শৌগৎতবা হায়বগী ৱাফম লাক্লবদি মদুদগী করম্বা পোরম অমমুক লাক্কদগে হায়বদুদি হৌজিক হায়বা ঙমদ্রে।

মণিপুরগী পোলিটিকেল ঈচেলদা অকনবা মশীং য়াম্না কাঙবুদা হোৎচিন্নবা হায়বসি চৎনবী অমগুম্না লৈবগুম তৌরি। মশা-মশাগী ওইজবা পীবদা মীয়াম্বু চুঙ্গোই ওইনা শীজিন্নবগুম্লসু উঙবা নত্তে। লাউনরিবা, ঙাংনরিবা চৈনরিবশিং অসি অদু পার্টিগী শিন্থানা মাঙ থারম্লবসু মমৈদদি পার্টিগী ৱাখল্লোন, পান্দম, পোরম পূম্নমক ইন্থোক্তুনা তুংওইননা থম্লম্বা ঙাক্তনি, মসি পূম্নমকপুদি নত্তে। পার্টিগী পোলিসি প্রোগ্রামদা চপ য়ুংবা থাজবা লুচিংবদি মশীং য়ামদে হায়বদা ৱারৌনিঙাই লৈতে।

হৌজিক থোক্লিবা পোলিটিকেল ক্রাইসিস অসি রুলিং অমসুং ওপোজিসন পার্টিগী মরক্তা নত্তে। ক্রাইসিস অসি রুলিং পার্টিগী মনুংদনি। তেল্লবা চহী অনীরোম অসিদা ওমখৎনরম্বা অদু মপান থোরকপনি। অতোপ্পদা তাইনবা য়ারোই। ইশাগী শুমাঙ শিত্তনা মীগী শুমাঙ শিংনবা হোৎনরুবনা রুলিং পার্টিশিংগী মনুংদা উংখৎনরকপনি হায়বসি পূম্নমক্লা খঙনরি। হৌজিক মীয়াম্না পাল্লিবদি-অফবা লৈঙাক গুদ গভর্ন্নান্স হায়বদুদি, চিনগা খূৎকা মান্নবা, হায়দোকখিবা থবক্তা ওন্থোকপা ঙম্বা লৈঙাক অদুনি। পূন্না লৈমীন্নদুনা থবক তৌমীন্নবদা মত মান্নরক্তবা অমনা অমগী ৱা তান্নরক্ত্রবদা কৈদৌঙৈদসু অফবা লৈঙাক লিংবা ঙম্লোই হায়বসিসু অদুমক ইখঙ খঙনরিবা ঙাক্তনি। চিনবান্দা খোইহি তৈরগা পূকুন্দা হু ফুম্বগী থৌওং থৌশিলনা কৈদৌঙৈদসু অফবা ওইবা ঙম্লোই। অমরোমদা য়ূম্ফম তোয়রগা লাইর তাল্লি হায়বসু লৈতবা নত্তে। মীয়াম্বু চুঙ্গোই ওইরগা মশা মশাগী ওইজবা থীবা হায়বসিসু অশোনবগী হৌনশানি হায়নীংই।

হৌজিক্কী রুলিং পার্টিশিংগী ক্রাইসিস অসিগী মরুমদা কোংগ্রেসতগী বি জে পিদা য়াওরে হায়না লৈ পরেং হুক্তুনা, লেঙয়ান ফি য়ান্দুনা হরাউনা ওকখ্রবা এম এল এ ৮ এন্টি দিফেক্সন লোগী মখাদা দিসক্কালিফিকেসনগী প্রোসিদিংস কোর্ট অমদি স্পিকর টিবুনেলগী মাঙদা লৈরি হায়বসিসু ইখঙ খঙনরিবা ঙাক্তনি। অদুনা ক্রাইসিস অসি ইরাই লায়না লৌবা চুমগদবা মান্দে। বি জে পি নেস্নেল লিদরশিংগী ৱায়েলনা হেক্তা ৱারোইশিন ওইরগদ্রা হায়বসিসু তম্বা ঙম্বা নত্তে। পোলিটিক্সতা য়াদবা হায়বা অমত্তা লৈতে।

# আই এম সি না লুপা ক্রোর ৫...

*লমায় ১গী মখা* শেনফমশিং অদুগী মনুংদা খরদি ষ্টাফশিংগী তলব অমসুং পেন্সনরশিংগী পেন্সন পীনবা ময়েং শেংবা ৱাফম য়াওরি। অদুবু ইমপ্লোইয়িশিংগী থা ৯রোমগী পেন্সন হৌজিকসু পীথোক্তনা লৈরি। লৈঙাক্লা শেনসু পীরকখ্রবা, ম্যুনিসিপালগী এদমিনিষ্ট্রেসনগী একাউন্দসু শেনফম অদু চঙলগা লৈখ্রবা ফাওবদা পেন্সনরশিংদা থা ৯গী পেন্সন পীথোক্ত্রিবগী মরম করিগীনো ? শেনফমশিং অদু মথোং মরম খঙহনখিদ্রবরা হায়বা ৱাহং হংনরক্লি।

# ম্যানমার দেলিগেসনবু তরাম্না...

*লমায় ১গী মখা* কয়াসু শরুক য়াখি।

মদুগী মতুংদা মোরেদা লৈবা হোটেল এলোরাদা বি জে পিগী নেসনেল জেনরেল সেক্রেটরি রাম মাধবনা অমুক হন্না ম্যানমারগী মীহুৎ কাঙবু অদুবু ওকপগা লোয়ননা শকখঙ মায়খঙনবগী থৌরম পাঙথোক্তুনা চাক্লেন চামিন্নখি। মদুগী তুংদা ম্যানমারগী দেলিগেসন কাঙবু অদু লৈখা লম্বীদা লাক্তুনা ইম্ফালদা নুমিদাংৱাইরম থুংলখি হায়রি।

ঙসি মোরেদা চৎখিবা বি জে পিগী নেসনেল জেনরেল সেক্রেটরি রাম মাধব অমসুং মিনিষ্টর টি ঐচ বিশ্বজিৎনা তোংবা হেলিকোপ্টর অদু নোং চীংগী ফিভম ফত্তবনা পায়খৎপা য়াদবদগী হনবগী মতম থেংথখি।

হেলিকোপ্তর পায়খৎপা য়াদ্রিঙৈগী মতম অদুদা মিনিষ্টর অমসুং বি জে পিগী নেসনেল জেনরেল সেক্রেটরি অসিনা মোরেগী আই সি পি অমসুং মোরেগী ইন্দো ম্যানমার ফেন্দসিপ আইরন ব্রিজসু য়েংশিনখি। তুংদা নুংথিল পুং ২.৪৫ রোম তাবা মতমদা নোং চীংগী ফিভম খরা ফরকপদগী হেলিকোপ্তর অদু মোরে থাদোকখি হায়রি।

# ঈশিং ময়েং তাখিবদগী...

*লমায় ১গী মখা* ফাওবা শিজিন্নবা য়ারোই, মহুৎ শিন্নবা হি পীরক্কনি হায়না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা থাজবা পীরম্বা অদু থবক ওইনা পাঙথোকপীদনা লৈরি। মীয়ামদি হি অদু লোন ওইরবসু লৌনবা শেম শাদুনা লৈবনি হায়খি। অদুবু লৈঙাক্লা হি লৈনবা থবক লৌখৎপগী মমি উবা ফংদে হায়খি।

য়াম্না নুংঙাইতবদি রামরৈ খুলগী মীয়াম অসি মপুং ওইনা খুলনা পাৎগী মনিংথংবা নাকলদা তারবসু পাৎকী মমাংথংবা শরুক্তা লৈবা চীংমায়দা লৌউ শিংউ তৌবা, হিংনবগী শেম্থোক লম্বী ওইনা মনা মশীং থাবা, লমদা হৌবা চাবা য়াবা এন্সাং নাপী কয়া চীংমায় অদুদগী থিজরবা হিংনবা লম্বী ওইরম্বনি।

অদুবু লৈঙাক্লা হি হোনবা থিংজিনবিখিবা অদুনা মদুগী থবক থৌরম পুম্বা পুমলেপ লেপ্তুনা লৈরি। মরম অসিনা লৈঙাক্লা মীয়ামদা পীখিবা থাজবা অদু থবক ওইনা ওন্থোকপীয়ু হায়না লৈঙাক্কী পুক্নিং চিংশিনলক্লি হায়খি।

লোয়ননা এম পি সি সিনা ঙসি খুল অসিদা লাইফ জেকেট পীবিরকপা অসি থাগৎলি। করিগুম্বা হি হোনবা হেক য়ারকপা মতমদা মসি শোয়দনা শিজিন্নরগনি হায়না মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিনা রামরৈ খুলগী মীয়ামগী শেন্মীৎলোন্দা অচৌবা চৈথেং অমা নুংদুনা লৈরিবা অসি কোকহনবীনবা লৈঙাক্লা মীৎয়েং চংহন্নিংবগী অপাম্বা চীফ অসিনা ফোঙদোরক্লি।

# থৌমীশিংনা মীয়ামদগী শেল...

*লমায় ১গী মখা* মরী লৈনবা পূম্নমক শান্তবীর মশানা চেল্লগনি হায়রকখি। লোয়ননা এন শান্তবীর মশানা সাইন তৌবা জামবন্দি পাট্টা মীওই ৪৭ রোমদা পীখি হায়না মরাল শীরি।

মহাক্লা মখা তানা মরাল শীরদুনা হায়, কুমজা ২০১২ তগী লৈকাই অসিদা লৈরিবা ইমুং খুদিংমক্লা টেক্স থীদুনা লাক্লি। অদুবু লাইবক থীবদি চৎলিবা চৈচৎ অসিগী হৌখিবা মে ১৫ দা পাট্টা অনৌবা পীবিনবা এস দি সি লমশাং ওফিসতা চৎলুবদা পাট্টাশিং অসি চৎনদ্রে, চৎনদবা পাট্টানি হায়রকখি। ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা থম্মোয়দা নুংঙাইতবা ফাওরবা লৈকাইগী মীয়াম্না এন শান্তবীরদা মহাক্লা লৌখিবা শেল লুপা লাক্ষ অনী হন্দোকপীরো নৌনা পাট্টা তাম্থোক্লবা চেঙ্গরগে হায়রুবদা শেল লৌখিবা লৈতে হায়না ফোঙদোরকখি।

মখা তানা লৈকাইগী মীওইশিংগা উন্নবা হায়বদা থৌশাদনা অদুম্মক লৈথোকপদগী কেন্দ্রগী এম এল এদা হায়রুবদা মরী লৈনবা পাট্টাশিং পীখৎলকউ হায়রকপদগী পীখৎখিবদি লৈরে। অদুবু খুঙ্গংগী লায়রবা শিন্মীশিংদগী শেল লৌদুনা চৎনদবা পাট্টা পীরিবা মতমদুগী এস দি সি ওইরম্বা এন শান্তবীরবু মরী লৈনবা লোকেল এম এল এ অমদি মণিপুর লৈঙাক্কী কন্সর্ন মিনিষ্টরনা মহাক্কী মথক্তা অথুবা এক্সন লৌখৎপীয়ু। লোয়ননা পাট্টা তাবা য়াদবনা মরম ওইদুনা তাওথোং খুন্নৌ খুঁদৈবন্দগী ইমুংশিংনা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী পীরিবা তোঙান তোঙানবা স্কিমশিংগী কান্নবা অমত্তা ফংদনা লৈরি হায়না মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# অবদুল হেলিম অতম্না হাৎখিবনিঃ জে এ সি

ইম্ফাল,জুন ৯(এস এন এস)ঃ

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী হৈঙাং পুলিসনা কোনবা কাইরং খোমীদোক কাইরং খোমিদোক জমা মসজিদ মনিংদগী এম দি অবদুল হেলিম (৬৫) অপোকপা লৈখিদ্রবা অবদুল মজিদ অসি এন্তি দ্রগ জোইন্ট কম্মিটিনা দিমান্দ শেনফম মশিং শুনা পিবদবগী কম্মিটি অসিগী মেম্বরশিংনা অতম্না ফুরগা হাৎখিবনি হায়না জে এ সিগী কনভেন্নরনা পাউগী মীফম অমদা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা ঙসি নুংথিল পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা জে এ সি এগেন্টস ব্রুটেল কিল্লিং ওফ এম দি অবদুল হেলিমগী কনভেন্নর য়ুনুস অক্মদনা হায়খিবদা, অবদুল হেলিমবু এন্তি দ্রগ জোইন্ট কম্মিটিগী সেক্রেটরি অনৱার অমসুং প্রসিদেন্ট ইবোহল হোইনা লুচিংবা মীওই ১৪ রোমনা দবল বেরেল পায়দুনা লাক্লগা ৱারী অমত্তা শান্নসি হায়না ফারগা পুখিবনি। য়ুমদগী পুথোকখিবা মতমদা তেক্তা কায়দনা পুথোকখিবনি। চেনবা নত্রগা তুশিনবা অমত্তা লৈখিদে। চেনবদা মথাবাক্তা য়ৈশিনবদগী শিবনি হায়না এন্তি দ্রগ জোইন্ট কম্মিটিগী মাইকৈদগী থল্লক্লিবা ৱাফম অদু চপ-চানা লাল্লবা ৱাফমনি।

মহাক্লা হায়, মখা তানা দ্রগ লল্লোনগে হায়রবদি লুপা লাক্ষ ৫ পিগদবনি হায়না এন্তি দ্রগ জোইন্ট কম্মিটিদা অবদুল হেলিমদা দিমান্দ তৌবদগী মমাং চহি ২০১৮গী সেপ্তেম্বর ১৮ লুপা লাক্ষ ৩গী শেনফম কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট এম দি অজিমুদ্দিন এলাইজ ইবোহল মশামত্তঃ পিখিবা লৈখ্রে। ৱাৎলহৌরিবা শেনফম লুপা লাক্ষ ২গী শেনফম অদু পিদবদগী হন্দক হন্দক এম দি অবদুল হেলিমগা কম্মিটিগা নিংঙাই শংদনবা খরা লৈখি। অবদুল হেলিমদগী করিগুম্বা অমত্তা ফাখিবা লৈতে। লুপা লাক্ষ অনিগী শেনফম অদু পিদবদগী মহাকপু ফারগা পয়া গ্রাউন্দদা পুথোক্লগা ফুরবা মতুং হৈঙাং পুলিসতা পুখি। অদুবু ফুবা অদুনা মরম ওইরগা মহাক্কী হকচাংগী ফিভম কা হেন্না শোকপদগী পুলিস লৌ হায়বা য়াদবদগী হৈঙাংগী হেল্দ সেন্তরদা পুশিনখি। অদুবু লায়কন্নবা ঙমদা লৈখিদবনি।

থৌদোক অদুদা কিন্নরকপদগী মখোয়গী মেম্বর খরা মফমদু থাদোক্তুনা তুমিন্না মাংনবা হৌরকপদগী হৈঙাং পুলিসনা মীওই ৭ ফাজিলহৌখি। ফারবা মখোয় ৭ অদু হৌজিক পুলিস কষ্টদিদা লৈরি। অবদুল হেলিম লৈখিদ্রে হায়বা পাউ তান্নরকপদগী থা অসিগী ৭কী অয়ুক পুং ৯ রোম তারকপা মতমদা লৈকাই মীয়ামগী মীফম অমা পাঙথোক্লা থৌরাং তৌখি। তনজাদুদা এন্তি দ্রগ জোইন্ট কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট এম দি অজিমুদ্দিন এলাই ইবোহলনা ময়ুমদগী দবল বেরেল নোংমৈ কাপথোরকপদগী মীয়ামনা খোয়শাওনবা হেনগৎলকপদগী প্রসিদেন্টগী য়ুমদা অকায় অতোয় থোকহনখিবনি।

অমরোমদা, থৌদোক থোকখিবা নুমীত্তুদা খোয়শাওনরবা মীয়ামগী মরক্ত কনাগুম্বা খরনা পাউ লৌবা লাকখিবা পাউমী অমদা এটেক্ট তৌখিবা থৌদোক অদুগীদমক থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতবা ফোঙদোকচরি। অদুগুম্বা থৌদোক অদু মতুংদা অমুক হন্না থোক্তনা পাউমীদা এটেক্ট তৌখিবা মীওইশিং অদু মশক খঙদোক্লগা ৱাখল তামিন্নবা তনজা অদু লৌরগনি হায়না মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# লৈঙাক্কী মহৈশঙশিংদা অঙাংশিং মহৈ তমহনবীয়ু ঃ এন লোকেন

ইম্ফাল, জুন ৯ (এস এন এস) ঃ

প্রাইভেট স্কুলশিংদা মসিবু চল্লাইরিবা কাঙবুনা থাদরিবা শেনফম অসি মণিপুর লৈঙাক্কী স্কুলশিংদা খরদা ওইরবসু থাদরগদি মণিপুর লৈঙাক্কী স্কুলশিং প্রাইভেট স্কুলদা তল্লিবা মহৈরোইশিংনা হেনগদবা নত্তে। মরম অদুনা লৈঙাক্কী স্কুলশিংদা মীয়াম্না শেল তিংদনা মহৈ তমহনবীয়ু অমদি অফবা লমদম অমা ওইহনসি হায়না নম্বোল এ সিগী এম এল এ এন লোকেননা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি ব্রাইট এদুকেস্নেল কেরিয়র এসোসিয়েসন (বি ই সি এ) না শীন্দুনা লৈমপোকপম গ্রাম পঞ্চায়টনা কোনবা মফমদা লৈবা মহৈরোইশিংগী চহী অসিগী ক্লাস টেন অমদি টুৱেল্বতা চাদা ৬০ গী মথক্তা মার্ক ফংদুনা পাস তৌরবশিং ওকপগী থৌরমদা অথোইবা মীতুংলেন ওইনা শরুক য়াখিবদা ফোঙদোকখিবনি।

থৌরম অদুদা এ আই আরগী রিজনেল ন্যুজস য়ুনিটকী ন্যুজস এডিটর ডা. অরিবম ইবোমচা আই আই এস, লৈমপোকপম জিল্লা পরিষদকী মেম্বর লৈমপোকপম জিতেন মৈতৈ অমসুং লৈমপোকপম গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান টিঐচ পাশোটনা ইকায়খুম্নবা মীথুংলেন অমদি বি ই সি এগী এদভাইজর ওইনাম ইবোতোম্বনা থৌরম মপু ওইখিবগা লোয়ননা কেরিয়র ফিজোলোজিষ্ট মিনিষ্ট্রি ওফ লেবরগী ওইনাম অনুরধানা রিছোর্স পার্সন ওইনা শরুক য়াখি।

# দি এন এ প্রোফাইল টেষ্ট তৌনবা দিমান্দ তৌরগনি ঃ জে এ সি

ইম্ফাল,জুন ৯(এস এন এস)ঃ

মমাং থা মে ২৯গী নুংথিল পুং ১ রোম তাবা মতমদা শিংজমৈ মথক থোকচোম লৈকাইদা লৈবা মশামক্কী ময়ুমদা নাওরে ওংবী রেখা মীহাৎ থিনা হাৎলগা থম্বীরম্বা থৌদোক অসিগী লংলা লংজিল হয়েং ফাওবগী মনুংদা পুথোক্ত্রবদি দি এন এ প্রোফাইল টেষ্ট তৌহন্না তকশিল্লগনি হায়বা ৱাফম জে এ সিগী মাইকৈদগী থল্লক্লি।

শিংজমৈ থোকচোম লৈকাইদা লৈবা ৱাই দব্লিউ ও ক্লবতা ঙসি নুংথিল পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা নাওরেম ওংবী রেখা (৬৫) মপুরোইবা দ্বিজমনিগী মীশিগা মরী লৈননা শেমখিবা জে এ সিগী কনভেন্নর নামাইরাকপম মাইকেলনা হায়খিবদা, জে এ সিনা সিভিল সোসাইটি ওর্গানাইজেসন অমসুং ইমা লুপ কয়া পুল্লগা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা ৱারেপ কয়া লৌরে।

মহাক্লা হায়, হৌখিবা মে ২৯গী অয়ুক্কী চাওরাক্লা পুং ১১.৩০ দগী ১.৩০ রোম তাবা ফাওবগী মনুংদা নাওরেম ওংবী রেখাবু মীহাৎ থিনা হাৎলগা হুন্দোকপিরম্লম্বা মতুং নুমীৎতুমক্তদা থবক শুবা নন-মণিপুরী ৩ ৱাহং পাহংনবা শিংজমৈ পুলিসনা লৌখৎখি। মদুগী মতুং মে ৩১গী নুমীদাংৱাইরম পুং ৫.৩০ রোম তাবা মতমদা লৈখিদ্রবী রেখাগী মপুরোইবা এন দ্বিজমনিবুসু শিংজমৈ পুলিসনা লৌখৎখিবনি হায়রি।

# হৈঙাং এ সিগী অফবা মহৈরোইশিং পূক্নীং থৌগৎখ্রে

ইম্ফাল, জুন ৯ (এস এন এস) ঃ

বোসেম, কোসেম অমসুং সি বি এস ইনা লৌবা চহী অসিগী ক্লাস টেন অমদি টুৱেল্বকী এগজামিনেসন অদুদা প্রাইভেট স্কুলদগী চাদা ৬০ গী মথক্তা ফংদুনা অমদি লৈঙাক্কী স্কুলদগীনা পাস তৌরক্লবা হৈঙাঙ এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মহৈরোইশিং অসি বি জে পি হৈঙাঙ মন্দলনা মনা পীদুনা পূক্নীং থৌগৎখ্রে।

বি জে পি হৈঙাঙ মন্দলনা শীন্দুনা লুৱাংশাংবম মখা লৈকাই কম্ম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা মহৈরোইশিং মনা মথুম য়েঙ্থোকপগী থৌরম অদুদা চীফ গ্বেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবী সোসিয়েল ৱার্করসু ওইরিবী মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেনগী লোয়নবী নোংথোম্বম ওংবী হিয়াইনুনা লমদম অসি লাইরবগী পনখৈ মখাদা লৈবা শেল পুথোক্তুনা মিং চনবা ঙমদবা মহৈরোইশিংদা লৈঙাক অসিনা মতেং পাঙদুনা লাক্লি। কোসেম অমসুং বোসেমনা লৌবা চহী অসিগী ক্লাস টেন অমসুং টুৱেল্ব এগজামগী ফল লাউথোকপদা মমাঙগী চহীশিংদগী হন্দক্লা পাস তৌবগী চাং হেল্লিবনি। এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সি অসিদগী ষ্টেটকী থাক্তা টোপ্পর কয়া য়াওরকপা অসিদসু চাউথোক্লীংঙাইনি।

মহৈরোই খুদিংমক্লা নখোয়বু তাকপী-তম্বীরিবা ওজা গুরুশিংবু মশক খঙনা চৎপা মথৌ তাই। এ সি অসিগী মনুংদা লৈবা মহৈরোইশিংনা মথংগী চহীশিংদসু হেন্না ৱাংনা মায় পাক্তুনা লমদম অসিগী মায় পুরকপা ঙম্বা ওইরসনু হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা চহী অসিগী ক্লাস টেন অমসুং টুৱেল্ব এগজামিনেসনদা প্রাইভেট স্কুলদগী চাদা ৬০ গী মথক্তা ফংদুনা অমদি লৈঙাক্কী স্কুলদগী পাস তৌরবা হৈঙাঙ এ সিগী মহৈরোইশিংদা সার্টিফিকেট অমসুং শেলগী মনাশিং পীদুনা পূক্নীং থৌগৎখি। থৌরম অদুদা বি জে পি হৈঙাঙ মন্দলগী প্রসিদেন্ট কেঐচ জিল্লা শরুক য়াখি।